**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-08-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ২০৪৭ ফাওবদা লৈবাক অসিনা ন্যুক্লিয়ার পৱার গিগাৱাট ১০০ পুথোকবা সরকারনা পান্দম থল্লি।

২) রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিনহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লেপ্তুনা হোৎনরি।

অমসুং

৩) অরুনাচল প্রদেশকী খঙহৌদনা চুরকপা অকনবা নোং অমদি চীং নীংখায়বগী থৌদোক্তা মীওই মরি শিরে, মঙানা থিবা খঙদনা লৈরি।

------

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ২০৪৭ ফাওবদা লৈবাক অসিনা ন্যুক্লিয়ার পৱার গিগাৱাট ১০০ পুথোকবা সরকারনা পান্দম থল্লি।

লাল কিলাগী ফম্বাক্তগী লৈবাক্কী মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- ইনর্জি হায়বসি হৌজিক্কী মতমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউনা দরকার লৈবা অমনি অমসুং সরকারনা লম অসিদা শিংথানিঙাই ওইবা থবক পায়খৎলি। মহাকা হায়- নুক্লিয়ার ইনর্জি হায়বসি লৈবাক অসিগী ইনর্জি পুথোকবগী মরুওইবা পান্বে অমনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ১২ অসিদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি কয়াগী কৎথোকপা অমদি অচেৎপা ফিরেপনা ভারতপু মাঙলোমদা চংশিনহল্লি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ২৫ লাইরবা কোকহনবা ঙমখ্রে।

নীংতম নুমিৎকা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা লাইরবা অমদি ময়াই ওইরপ্পা থাক্কী ইমুংশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা পাব্লিক একজামিনেসনশিংগী ওনলাইনদা লেমা কোচিং তৌহনগনি হায়নসু লাউথোকখি। লাক্লিবা চহি অমা অসিগী মনুংদা লৈবাক অসিগী নহা কোতি ১ দা এ.আই. স্কিলগী ত্রেনিং ফংহনগনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি।

মহাকা হায়- হৌখিবা ৫০ দগী ৭০ ফাওবদা অমুক্তা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রবা থবকশিং লৈবাক অসিনা লাক্লিবা চহি ৫ দগী  ৭ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কনি।

মুরমু ঃ    রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা য়ুম্বু ওইদুনা ৮০ শুবা নীংতম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি ভবনদা রিসেপসনগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, হান্নগী রাষ্ট্রপতি রামনাথ কোবিন্দ, ভারতকী চীফ জষ্টিস শুরিয়াকান্ট, লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলা, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং, দিপ্লোমেতশিং, তোঙান তোঙানবা লমদা শকাইরবা মীওইশিং অমসুং সরকারগী প্রোগ্রামশিংগী বেনিফিসরিশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ছত্তিসগর, গোৱা, মধ্য প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্রগী নাৎকী ওইবা চৎনবী অমদি সংস্কৃতিগী থৌরম কয়া উৎখি

পুলিস (এল)ঃ  সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোলরুমগী পাউনা হায়- হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা তুইবোংদগী মীওই অমা হিরোইন কিলোগ্রাম ২ গ্রাম ৫৬০ গা কোন্ননা ফারে।

নুমিৎ অসিমক্তা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ক্ষেরগাউ অৱাং শাবল লৈকাইদগী মীওই মঙা ফারে। মখোয়দগী কানি কিলোগ্রাম ১ হেন্না অমসুং চাকা মরি পানবা গাড়ি অমসুং ফাগৎলে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনসু রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওইশিংগা উন্নদুনা সেক্যুরিতি অমদি মীয়ামগগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবগা লোয়ননা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা হোৎনরি। অসাম রাইফলসনা ঙরাং পাৎশোইগী ও.সি, কামোংগী সি.এস.ও, কোল্লাখোং হাইস্কুলগী প্রিন্সিপাল, কৈনৌগী ৱার্দ মেম্বর অমদি অতৈ খুলগী লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নখ্রে।

ডে (এল)ঃ ৱাটর সেদ দিভলনমেন্ট কমিতি (দব্লিউ.দি.সি) পি.এম.কে.এস.ৱাই টু পোইন্ট জিরোনা নীংতম নুমিৎ থৌরম লুৱাংশংবমদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা উ চারা কয়া থাখি।

সাইকল (এল) ঃ স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা নোংমাইজিং খুদিংগী চথুরকপা সনডে ওন সাইকলগী শরুক অমা ওইনা ঙসি সাই এস.টি.সি খুমন লম্পাক ইম্ফালদা সাইকল রেল্লি পাঙথোক্কনি। নীংতম নুমিৎ পালনগী অখন্নবা ইদিসন ওইনা পাঙথোক্কদবা সাইকল রেল্লি অসি সাই এস.টি.সি খুমন লম্পাক্তগী হৌরগা ইম্ফালগী মরুওইবা মফমশিং ফাওদুনা চৎলবা মতুংদা খুমন লম্পাক্তা লমথুংফম ওইগনি।

নোং ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি)না হয়েং ফাওবদা অরুনাচল প্রদেশ, নোংচুপ বঙ্গলাগী গঙ্গা তম্পাক, উরিষা, উত্তর প্রদেশ অমসুং উত্তরাখন্দদা অকনবা মওংদা নোং চুরবা য়াই হায়রদুনা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে। থা অসিগী ২১ ফাওবদা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অকনবা নোং তারবা য়াই হায়নসু মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা ছত্তিসগর, গুজরাত, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু কাশ্মীর, লদাখ, ঝারখন্দ, কোনকান, গোৱা, মধ্য মহারাষ্ট্র অমসুং মধ্য প্রদেশতা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

অরুনাচল ঃ অরুনাচল প্রদেশকী দিবাং ভেল্লি দিষ্ট্রিক্টতা খঙহৌদনা চুরকপা অকনবা নোংনা লান্মীশিংনা মতম খরগী ওওইনা লৈনবা শেন্বা সেলতর অনি চেন্থখিবদগী লান্মীগী মীওই মঙা থিবা খঙদ্রে। অদুগা অপ্পর সুবানশি জিলাগী লন্মী শেন্বা মীওইশিং লৈবা মফম অমদা চাউনা চীং নীংখায়রকপদগী মীওই মরি শিরে।

ষ্টেট ইম্মরজেন্সি ওপরেসন সেন্তরগী মতুংইন্না থৌদোক অনিমক থা অসিগী ১৪ গী নুমিদাংদা থোকখিবনি হায়রি। আই.টি.বি.পিগী ৫৮ শুবা বত্তাল্লিয়ন, জেনেরেল রিজার্ভ ইঞ্জিনিয়ার ফোর্সকী সিক্সতি-টু আর.সি.সিগী পার্সোনেলশিং, মফমদুগী ভোলুন্তিয়ারশিং অমসুং অরুনাচল প্রদেশ পুলিসকী মীওইশিং মফম অদুদা চংশিনদুনা থি হুন্বগী থবক চথরি।

জেকে ঃ জম্মু কাশ্মীরগী পুন্স জিলাগী বুখিলিয়াস এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেরোরিষ্টশিংগী লোৎফম ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মফম অমা থুগাইদুনা খুৎশু খুৎলায় অমদি বোমচিংবা কয়া ফাগৎলে।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়- লান্মীগী সিক্সতিন রাষ্ট্রিয়া রাইফলস অমসুং জম্মু কাশ্মীর পুলিসকী স্পেসিয়েল ওপরেসন্স গ্রুপকী অপুনবা কাংবু অমনা মফম অদুদা থি হুন্বগী থবক চথখি। মদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা গল্লাগী মওং মানবা আই.ই.দি অমা, গুল তাইপ আই.ই.দি অমা, অপিকপা মখলগী আই.ই.দি মরি, মোতোরোলা সেট অমা, এ.কে. ফোর্তিসভেন রাইফল অমা, নোংমৈ মরু ৭ কা কোন্ননা ফাগৎখি।

অমরোমদা, জম্মু কাশ্মীরগী কিষ্টৱার জিলাগী দসান্ট এরিয়াদা ঙরাং গাড়ি অমা চেনব তুরেলদা ওন্থবদা মীওই ৫ শিরে।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়- গাড়ি অদু য়াইনৱানদগী সোন্দর তমা চৎপনি। পুলিস অমদি মফমদুগী মীওইশিংনা থৌদোক থোকফমদা চংশিন্দুনা মী কনবগী থবক চথখি। হকচাং মঙাদি থৌদোক থোকফম অদুদগী ফংবা ঙমলে। অদুবু গাড়ি অদুদা পুন্না মী কয়া তোংখিবগে হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি।

ভিজিৎ ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণনগী নুমিৎ নিনিগী তামিলনাদু খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। মহাকা চেন্নাই, চেঙ্গালপতু, তিরুভারুর অমসুং তাঞ্জাবরদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি। মহাকা চেঙ্গালপতুদা পাঙথোকপা এস.আর.এম ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী ২২ শুবা কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি।

সাহ ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি রাজস্থানগী অলৱার অমসুং চিতোরগরদা চৎকনি। মহাকা মফম অদুদা লুপা কোতি কয়ামরুমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা যাত্রা হুনগনি অদুগা খরগীনা শঙ্গাগনি।

টেক্স ঃ দ ফোরেন এসেটস এফ স্মোল টেক্স পেয়ারস-দিসক্লোজর স্কিম (ফাষ্ট-দি.এস) রুলস ২০২৬ চৎননবা সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ত টেক্সেসনা নোতিশ থোকখ্রে। মসিনা টেক্স থিবা য়ারবশিংনা মখোয়গী হায়দোক্তবা মপান লৈবাক্তা লৈবা লন-থুম, মপান লৈবাক্তগী পুশিল্লকপা ইনকম অখন্নবা টেক্স নত্রগা ফি থিহনবা য়ারগনি। স্কিম অসি ঙসিদগী চৎনবা হৌরগনি। অদুগা স্কিম অসিগী মখাদা দিক্লরেসন ফাইল তৌবগী অরোইবা মতমনা চহি অসিগী দিসেম্বর ৩১ নি। মসিগী মতুংদা দিক্লারেসন ফাইল তৌবা য়াররোই। ইনকম টেক্স বিভাগনা স্কিম অসিগী মতাংদা মীয়ামা য়ামা তোইনা হংবা ৱাহংশিং য়াওবা দোক্কুমেন্ট পুথোকখ্রে।

য়ুহার ঃ ইন্দোনেসিয়াগী ফ্লোরেস সমুদ্র খোঙবানদা ঙরাং হাখিবা অকনবা য়ুহার অদুদা শিখিবা মীগী মশিং ৪৭ শুখ্রে। রিক্তর স্কেলদা ৭.৭ য়ৌনা হাখিবা য়ুহার হাবা অদুগী মতুংদসু কয়ারক হন্না নিকখি। মী কনবা কাংবুনা মফম অদুদা চংশিনখ্রে। য়ুহার হাবা অদুনা য়ুম কয়া নীংখায়হনখি। নোর্থ সুমাত্রাদসু রিক্তর স্কেলদা ৬.৪ গী চাংদা য়ুহার হাখি। মদুনা মরম ওইদুনা সুনামি ঈথক হৌহনখি।

সরকারগী পাউনা হায়- হৌজিকসু বিল্ডিংগী অতেক অকায় মরক্তা মীওই কয়া থোরকপা য়াদনা লৈরমখিগনি হায়না মীপাইনরি।

------